ষ্টেট লেভেল হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪

জুনিয়র বোইজগীদা ৱাই এল কে মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর হেন্দবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মাইরেনখোং রাইজিং ক্লবনা শীন্দুনা লিলোং মাইরেনখোং রাইজিং ক্লবকী গ্রাউন্দদা চৎথরিবা ৪৬লক শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস ষ্টেট লেভেল হেন্দবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র বোইজগী মেটচ অমদা ৱাই এল কে চীংঙারেলনা এম আর সী লিলোংবু পাঞ্জল ১৭-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই এল কে চীংঙারেলগী পাঞ্জলশিং অদু হেনবনা ৪, কৈকুনা ৩, বাখমনা ৪, অভিজিৎ, ক্রিনিভাস অমসুং এদিসননা মথংশিংনা ২/২ চনখিবনি। অদুগা এম আর সী লিলোংগী পাঞ্জলশিং অদুনা প্রভাসনা ২, সন্তোশ অমসুং লারানা অমমম্ চনখিবনি।

জুনিয়র বোইজগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা কে ভি দল্লিয়ু এ ময়াং ইম্ফালনা সী ৱাই দি ও এল লিলোংবু পাঞ্জল ১৭-৬তা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা বি বি এ ময়াং ইম্ফালনা আই এম সী থৌবালবু পাঞ্জল ১০-৩দা মায়থীবা পীখ্রে। ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ৱাখ্খৈ অমসুং এস এস সী খুরাইগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা এস এস সীবু পাঞ্জল ১২-৮দা মায়থীবা পীখি। ও ৱাই ও কোংপাল অমসুং ও ৱাই সী থৌবালগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ও ৱাই ও কোংপালনা ও ৱাই সী থৌবালবু পাঞ্জল ১১-৯দা অদুগা বি বি এ ময়াং ইম্ফাল অমসুং এম আর সী লিলোংগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা বি বি এনা পাঞ্জল ১৬-৮দা এম আর সী লিলোংবু মায়থীবা পীরমখিবনি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা কে ভি দল্লিয়ু এনা এন এস য়ুবু পাঞ্জল ১৪-১০, ৱাই এল কেনা ঈ এস য়ু ৱাখ্খৈবু পাঞ্জল ১১-১০ অদুগা আই এম সীনা এম আর সীবু পাঞ্জল ১৩-১০দা থোইখিবনি। জুনিয়র গর্লসকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই এল কে তেজপুরনা এস এস সী খুরাইবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৭-০দা থোইখ্রে। ৱাই এল কে তেজপুরগী পাঞ্জলশিং অদু লিভিয়া অমসুং নোমিকানা ২/২, বিজিয়া, পিতালিকা অমসুং অলিয়ানা মথংশিংনা অমমম্ চনখিবনি।

১৬শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪

এ এফ সী, এন ঈ এস য়ু, এন এস সী ও অমসুং নেরোকা ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দ অমদি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা চৎথরিবা ১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী)না য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সী, নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন ঈ এস য়ু)না টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও), নম্বুল মপাল এথলেটিক্স এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এন এ সী ও)না য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) অদুগা নেরোকা এফ সীনা সঙ্গাই ফুটবোল স্কুল (এস এফ সী) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা এ এফ সী অমসুং য়ু বি এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু এ এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইখিবনি। এ এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২০, ৬০ অমদি অনীশুবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা লোয়াঙম্বা মৈতৈ অকোইজম, লাইশ্রম রোশন অমদি নোংমাইথেম সুশিল কুমারনা অমমম্ চনখিবনি।

হায়রিবা মতম অসিমক্তদা দি এস এ গ্রাউন্দ ককচীংদা এন ঈ এস য়ু অমসুং ট্রাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা এন ঈ এস য়ুনা পাঞ্জল ২-১দা ট্রাওবু মায়থীবা পীখিবনি। এন ঈ এস য়ুগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৫৫ অমসুং ৬৪শুবা মিনটতা ফিজম সনাথোই মৈতৈ অমসুং খুন্দোম উমাকান্তনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা ট্রাওগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ৬৩শুবা মিনটতা রিশি নোংথোম্বমনা চনখিবনি।

নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এন এ সী ও অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এন এ সী ওনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখ্রে। নেরোকা এফ সী অমসুং এস এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নেরোকানা পাঞ্জল ২-১দা এস এফ সী থোইখিবনি।

নেসনল থাঙ-তা টেক্নিকেল ট্রেনিং ২০২৪ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকাইনা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মথং থাগী ২৭তগী হৌরগা ৩০ ফাওবা নুমিৎ ৪নি চুপ্পা য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকাইদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দা নেসনল থাঙ-তা টেক্নিকেল ওফিসল এন্দ কোচেচ ট্রেনিং ২০২৪ পাঙথোক্লগনি হায়না থাঙ-তা মহৈকোলগী সেক্রেটরি হুইদ্রোম কিরনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ৩১দগী শকখঙলবা থাঙ-তাগী কোচ/ইন্স্ট্রক্টর কয়ানা শরুক য়াগনি। মালেমগী হোংলক্লিবা শান্ন-খোৎনবগী য়াওলদা য়াওশিন্দুনা হেন্না মপূং ফাবা অমদি হেন্না কান্নবা মশান্না অমা ওইহন্নবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা থাঙ-তাগী কোচ/ইন্সট্রক্টরশিংদা মেন্যুএল এন্দ দিজিটেল স্কোর রিজল্ট অমসুং থাঙলোন, খোঙলোন-খূৎলোন অমসুং থাঙ হাইবগী মহৈশিং তম্বীগনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা থাঙ-তা শীন্দমশঙশিংগী মশক খঙলবা শীন্তাকপগী থৌ পুরিবশিংনা হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াদুনা থাঙ-তাবু য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯹ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-XI, IMPHAL, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 54/AS&SO-XI Date : 29/04/2024

Thokchom Subadani Devi, W/o (L) Meghachandra of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Thokchom Meghachandra Singh, S/o (L) Kulla Singh of Wangkheirakpam Leikai -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Imphal, 29/04/2024

Under Section 46 (3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. 26-Wangkheirakpam Leikai পাট্টা নং. 10/Ang. অরিবা 220/967 অনৌবা দাগ নং. 407/1068 এরিয়া .03 একর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার নং. Thokchom Meghachandra Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইস্থোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 6/5/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-XI
Imphal, Manipur

HL-P/10046/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

Ref :- Mut. Case No. 172/SDC/Hng/IE/2024

1. Ngangbam Manichandra Meetei, S/o Ngangbam Ibotombi Meetei.
2. Ngangbam Inaocha Singh, S/o Ng. Sobha Meitei.
3. Ngangbam Nanao Meetei, S/o Ng. Ibobombi Meetei of Matai. - Petitioners

-Versus-

(L) Ngangbam Ibotombi Singh, S/o (L) Ng. Thabal Singh of Matai. - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dated 29-4-2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং 3-Matai দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং 138 অনৌবা পাট্টা নং 20/202, দাগ নং 166/299, এরিয়া 0.195 একর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Heingang, Imphal East

HL-P/10597/30

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref :- 9/SDC/LIL/Cert/2015(pt)/287 Dated : 29th April, 2024

Asem (O) Manitombi Devi, W/o Late Asem Rajendro Singh of Oinam Sawombung Awang Leikai, P.O. & P.S.-Lilong

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Lilong, the 29th April, 2024

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Asem (O) Manitombi Devi W/o Late Asem Rajendro Singh of Oinam Sawombung Awang Leikai P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না কোর্ট SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপত্তি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong

HL-P/10592/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 65/SDC/LIL/2023 Dated : 18th Dec., 2023

1. Md. Shamir Ahmed S/o (L) Hayat Ali
2. Soukat Ali S/o Md. Fajur Rahman

All are resident of Lilong Hangamthabi.

-Vs-

1. Late Khadijan Bibi D/o (L) Faju
2. Late Mv. Hayat Ali S/o (L) Faju

All are resident of Lilong Hangamthabi

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Lilong, the 29th April, 2024

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১৬-লিলোং তাহশিলগী অরিবা পাট্টা নং ৫২৩ অনৌবা পাট্টা নং ৫০২ দখল তৌরিবা দাগ নং ২৩১৯গী ০.৫০০৪ হেক্টর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদারগী মরক্তগী কো-পাট্টাদার নং ১ অমদি ২ অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মচানুপা অমদি মনাওনুপাদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না Sub Deputy Collector, Lilong গী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা Sub Deputy Collector, Lilong গী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong

HL-P/10592/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 10/SDC/LIL. Dated : 22/02/2024

1. Muhamad Sirajuddin S/o Abdul Jabar of Lilong Chingkham Makha.
2. Secretary Haji Abdul Zabar Kabaarstan Lilong Chingkham Maning.

-Vs-

Late Md. Burhanuddin S/o Abdul Jabar of Chingkham Makha.

ꯑꯣꯔꯗꯔ / ORDER

Lilong, the 29th April, 2024

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১৬-লিলোং, লিলোং তাহশিলগী অরিবা পাট্টা নং ৮৮ অনৌবা পাট্টা নং ৪ দখল তৌরিবা দাগ নং ৩০০৯গী ০.৩২৯০ হেক্টর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা ইস্থোল অসিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা ০.২৬৬৩ হেক্টর চাওবা ইস্থোল অসি মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী পোকমিন্নবা ময়াম্বা Muhamad Sirajuddin S/o Abdul Jabar of Lilong Chingkham Makha অমদি নোংপোক থংবা শরুক্তা ০.০৬২৭ হেক্টরনা Secretary Haji Abdul Zabar Kabaarstan Lilong Chingkham Maning গী মিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না Sub Deputy Collector, Lilong গী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা Sub Deputy Collector, Lilong গী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong

HL-P/10592/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 28/SDC/L Dated : 29-04-2024

1. Mohd. Rakimuddin Khan S/o (Late) Mohd. Quayamuddin Khan of Lilong Turel Ahanbi Mathak Leikai.
2. Md. Tajuddin Khan S/o (Late) Mohd. Quayamuddin Khan of Lilong Turel Ahanbi Mathak Leikai.
3. Mohd. Islauddin Khan S/o (Late) Md. Quayamuddin Khan of Lilong Turel Ahanbi Mathak Leikai.
4. Mohd. Arajuddin Khan S/o (Late) Quayamuddin Khan of Lilong Turel Ahanbi Mathak Leikai.
5. Md. Minhajuddin Khan C/o (Late) Quayamuddin Khan of Lilong Turel Ahanbi Mathak Leikai.
6. Dr. Md. Yunus Ali S/o Md. Zamaluddin of Lilong uku Maning.

-Vs-

Late Quayamuddin Khan S/o (Late) Jamerali of Lilong

ꯑꯣꯔꯗꯔ / ORDER

Lilong, the 29th April, 2024

Under Section 46 (3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১৬-লিলোং তাহশিলগী অরিবা পাট্টা নং ৩৭৭ অনৌবা পাট্টা নং ৪৮১ দখল তৌরিবা দাগ নং ১০৫৭গী ০.২৫০৪ হেক্টর অমসুং ১০৫৮ গী ০.২৪০৪ হেক্টর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা ইস্থোল অসিগী দাগ নং ১০৫৭ গী শরুক মখে Applicant No. 6 কী মিংদা অমদি লেমহৌরিবা দাকফম ১০৫৮গী এরিয়ানা Applicant No. 1 to 5 দা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মচানুপা/নুপী/মশুশিংনা Sub Deputy Collector, Lilong গী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা Sub Deputy Collector, Lilong গী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong

HL-P/10592/30

৪রক শুবা লেট কৈশাম বাবু মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

এম এ আর দি ক্লব মোইরাং অমসুং এ কে এস এ ক্বাক্তা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এফ এ) মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা এস ৱাই সী (সগাং), এ কে এস এ (ক্বাক্তা), ঈ এল এস এ (নরানসৈনা), পি ৱাই দি (ক্বাক্তা), এম এ আর দি ক্লব (মোইরাং) অমদি এফ সী কুম্বী পুন্না টিম ৬না শরুক য়াদুনা চৎথরিবা ৪শুবা লেট কৈশাম বাবু সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২-২৩গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম এ আর দি ক্লব মোইরাং অমসুং এ কে এস এ ক্বাক্তা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা হোৎনখিবশিং অমদি পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। মেটচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা এ কে এস এগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উখোক্তুনা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ১৬ এম দি জহির খাননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। এ কে এস এনা পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং এম এ আর দি ক্লবকী মায়কৈদগীসু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ সোমোরজিৎনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তানখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখিবনি।

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

মে ৩না লাকপসিদা অপূনবা লূপ অমা শেমহৌরসি অমসুং ৱারেপ্লহৌরসি

(৫১৬)

অপূনবগী শক্তম এপেক্স বোদি অমা মীতৈগী শেমখ্রে লাউথোকপা মতমদা ঐখোয়গী খুন্নাইসি মালেম পূন্বনা ইকাই খুম্নগনি। লূপ য়াম্মনখিবনা ঐখোয়না হায়বা ৱাফম অমত্তা মপূং ইফা ফাদবগুম উরি। অশেংবা শক্তম অমা উৎলসি হায়রবদি অপূনবগী লূপ অমা মউ লিংনা থম্বনা চেকশিনবা খুন্নাই অমা ওইগনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসি করম্না হিংলিবগে হায়বসি মীৎকুপ অমা কাউথোকপা য়াবা নত্তে। নোংম-নোংমা হৌখিবনা চহী ১ ফারগা পালন পাঙথোক্কদবা নত্তে। ঐখোয়গী ৱাখলসি শেল অচোইবা চবুন অমা পায়রগা মখোল থোকপগী ফীভমদা লৈবনা অফবা ওইরক্তে। তুং কোইগদবা অমদি মীয়াম্না ইকাই খুম্নবা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী ইথৌদাং ওইরসি। ৱাখল খন্থবা হায়বসিনা কুপ্পা খন্নবগী পুথোরকপা ৱারেপ ওইসি। চৎনবা য়াদবা ৱারেপতি কাংখা থাঙ ওইদুনা মাঙখি। ৱারেপ লৌবদা অপূনবনা পাঙ্গলনি। অপূনবগী পাঙ্গলখক্লা লৈবাক ঙাক্কদবনি। মশীং খঙদনা লূপ কয়ানা লাউরবসু অচেৎপা ফিরেপ ঙসি ফাওবা পুরকপা ঙমদ্রি। য়ূমথোঙ খূদিংগী সলাই তরেৎকী ফিরালদা খুমনগী অমুবা মচুনা মখা থংবদু মথক্তা হাপ্পুনা ফিরাল চিংখৎপসু থেংনরে। ওইরক্লিবা ফীভমসি নোংমগী খোঙচৎসিনা অপূনবা পুনশিনবা ঙমদবা অসিনা মচোই-মচোই তারকপগী মওংদা লাক্কদ্রা হায়বসিনি। লমদমসিগী শান্নরোয় অমদি আর্টনা মালেমগী থাক্তা ৱাংনা থাঙ্গৎলিবা চাওরবা ফিদা থল্লিবা অপীকপা মগুণ লৈবা ইরমদমবু অমুক্তং কলহৌরসি।

অদোমগী - মুতুম শান্তি
সগোলবন্দ মৈনো লৈরক, # ৯৮৬৩৩১০৪৫৯

মীতৈ মাইচৌশিং শাফোঙলক্লোগবা

(৫১৭)

ওস্তোকপনি! অদুঙৈগী কংলৈপাক মীতৈ মীয়ানচা কুকি খরনা হনচক-ঙাচক শানা হুয়েন লান্দারকপদগী ঙুম্না অৱা হুইজোং লাংলে। মরমদমমক্তদা মনিং তম্বা ফংজদ্রবা মীতৈ ফুরুপকী ইপা-ইচা, ইমা-ইন্দোল, তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা মহৈরোয় নহা কয়া রিফ্যুজীগুম মীয়াম্না পীজবা খরা চারগা তুংগী পূন্সি লম্বী লক্মাংননা ৱানা পূন্সি লেল্লি। য়েংলুবদা মায়কৈ মরিমক থোকফম লিৎফম লৈতনা ঙায়েক চফুগী লেমলৈগুম কুকিশিংনা লানবন শারক্লে। অউ-অউবা চঙহাৎ-চঙহাৎ হাৎলি। হিংনবগী পোৎলম- মৈ, ঈশিং, লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরম য়াওনা লাইফলাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱে ফাওবা কুকিশিংনা হনচক-ঙাচক শাদুনা লৈরি। হে! হায়বীনবা কনাসু লৈত্রবগুম কুকিশিং মনিং মখা তমহল্লি। অঙকপা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক হায়বদুনি। মীওইবগী রাইট খম থেংনা খোঙ্গাওনরবা ৱাথোক-লাম্থোকসিবু খঙশিন্নদা, তাশিন্নদা চহী ১গী শাংলবা নুমিৎ ৩৬৫সিবু খাঙদুনা লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক লুচিংলিবা মোদিজি, নঙগী অখাঙ কনবা নরিংজেল অদুবুদি ইকাই খুম্নজরি। অদুবু ফুরুপ অমগী নুংদা ফুমদুনা লৈরিবা পেন্দবগী মৈরী ময়ামসিনদি নঙগী লৈঙাক তুম্না তাঙ্গায় তানা চাকখিবদা লাঞ্জদ্রবা মীতৈ ময়ামগী মীচৈনি হায়না খোইখা লিনখা থাবীরক্নুকো। নঙমক্লা থওইবীদ্রবা মণিপুর ঙসিদি পুমচাই চাইরে, মপূ পান্দ্রে। লাইনি খঞ্জবা মীয়ামগী লুচিংবা লাই ওইরমদ্রে, মীয়ামবু পেলহনবা ঙম্বগী থৌনা য়াওরমদ্রে। মপূ হায়বদু লৈত্রবনিনা তৌওম্বা মনাই ময়াম্না খাবৈ খারা শারে, ৱা ঙাংবা ঙম্লদ্রে, নোংমৈ বোম্না মীয়ামগী মমায় চুমগে ঙাক্তা ঙাইরে। ভুট শান্নবনা ভুট লোইশিনবা হৈতেদনা ভুট ময়াম্না লৈবাকসি ৱাই চাইরে। মপূ য়াওনা থেংন-থেংনবা নম-নমদুনা হাৎলক্লে। তঙাইফদনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎতবা য়াদ্রবা চৈরকসিদা অমগা-অমগা খম থেংনা নুংশিনহন্দনবা মীখলগী মিংদা মীতৈ ফুরুপ মালেমসিদগী মুৎথ্রসনু মতাগুম ৱা ঙাংদনা পোরম শিল্লিবশিংদা হায়নিংলিবদি চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাউই হায়বগুম য়েক্লবা কুকিশিংনা মীতৈ ফুরুপসিবু করিনি হায়না খল্লমগদগে? শিবা-চঙবা খঙদনা অরোইবী খোঙ্গাওদা হোমলেন্দ অমত্তং ফংনবা হোৎনজরিবা কুকিদা মখোয়না পাম্বা লমমখৈ পীরগে- লান তোক্লো হায়গে খল্লিরা? কান্নদে ইচিল-ইনাও, ইচাশিং মীতৈ ঐখোয়সে হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবা হাকমনখ্রে, লূপ য়াম্মনখ্রে, লুচিংবা য়াম্মনখ্রে, ৱাখল্লোন য়াম্মনখ্রে। তঙাইফদ্রবা থকশি-খাশি, হৌন-লোনচৎকী লাইশুদি য়াওদনা লাইরিক হৈবসু য়াম্মনখ্রে। খঙমিন্নসি- লমদমসিদা মশীং খঙদা লৈরিবা ঈশিংগী ঈচেল ময়ামগী ঈতিনফম মথোং খঙদবা কুইরবনি, লম্বীগী নাকলদা হৌবা উজাও-ৱাজাও তাকখ্রবনি, চীংমায় থুংনা হৌরম্বা উজাওগী মহুৎ পোপী পাম্বীনা মহুৎ শিনখ্রবনি। শা-কৈনা মনিং তমজরম্বা উমং-ৱামং কুকিশিংনা খুল শেমখ্রবনি। ককচেং মচা ময়াম্না অচৌবা তিন্থ্রোক অমা অদুক লায়না থাংদুনা মকোন তম্না পুশিনখ্রিবদু লিংজেল মান্নবননি খঙদবা ময়াম অমা লৈরি, য়েক্লবা থেংনগদবা মতাং মতম চাদ্রি, ৱাখিগদবা মতম ৱাৎলি। মীতৈ মাইচৌশিং শাফোঙলকপা মতম ঙাইনা হিংখিবা তারি।

অদোমগী - বি সী খুমন,
ইম্ফাল, # ৮৪১৪৮৮১২৮৯

Unique Education CBSE
THE FIRST CBSE & ICSE COACHING CENTRE AT IMPHAL.
ADMISSION OPEN
5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XI Sc. 4th June
NAVODAYA. SAINIK & Outsiders IX. X. XISc. & XIISc.
Girls Hostel in the same block 02-05-2024
5-months Foundation for CBSE class X
Van service / Boys Hostel Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express
HL-B/8699/26/4-26/5